ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ


The Largest Circulated Newspaper in Manipur




ঙসি পাঙথোক্কদবা মেরা হৌচোংবা থৌরমদা শরুক য়ারনবা লাকখিবা চীংবুরোইশিংনা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবদা চীংগী পোখোকশিং পোৎলানবদা নিংথৌনা সনা কোনুংদা তরাম্না ওকখিবা


লৌশিং পূক্কে : ঈশিং হাম্বা নৎত্রগা ঈ অশিবা চঙবগী ... লামায় ২
লামায় ৪ ইরমদমগী ঙমখৈ অমদি ঈনাৎ ঙাকপদা
"হুরানবা নকোক্তা নাপী পকই-!" লামায় ৫
লামায় ৬ মণিপুরগী ঈরাংসিগী ৱারোইশিন পুরক্কুনা ঈং-তপ্পা...
এন সীগী ওমর অব্দুল্লাহ চিফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে ... লামায় ৮
লামায় ১০ টি এস পাউল মণিপুর ৱিমেন্স কোলেজনা ইন্টর...


থিএটর মিরর অমসুং ইমুং মনুংনা শীন্দুনা হাওবম মরক থিঙেল ঙাঙোম লৈকায়দা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদ্রবা পদ্মশ্রী নবা ৱারেপ্পগী ৮৪শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা




Vol. 48, Issue No. 194 | শগোলশেন, মেরাগী থানিল | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, October 17, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### আই এম সীগী রেগ্যুলর ষ্টাফ ২৩৬ লৈগদবদা ১৯১ খক্তমক লৈরবসু থা ৯গী তোলোপ পীদ্রে

# মণিপুর লৈঙাক্লা পীফম থোকপা শেনফম চহী ২ চূপ্পা পীরমদ্রে আই এম সীগী ষ্টাফশিং তিলাইখোম্বী নোইবদৌনা নোইহৎলে

এন এস মঙাং

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :**
মণিপুরগী ময়োল ওইরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী এরিয়াশিং কোনশিন্দুনা চুম্নতগী অমোৎ-অকায়, ফত্ত-হৌদি শেংদোকপা খক্তা নত্তনা সেনিটেসনগী থবক থৌরমশিং য়াওনা কোনশিল্লিবা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামগী পূন্সি মহিং হেন্না মশক থোকহন্নবা থবক থৌরম কয়া মতম মতমগী মতুংইন্না পায়খৎতুনা লাক্লিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সী) গী রেগ্যুলর ষ্টাফ ২৩৬ লৈফম থোকপগী মনুংদা শুনা লৈতবদগী কন্ট্রেক্ট বেসিস্টা অমসুং মাষ্টরোলদা ষ্টাফ খরা হাপচিন্দুনা হৌজিক পূন্না ১৯১ খক্তমক লৈরবসু মখোয়গী থাগী ফংফম থোকপা খূৎশুমল (সেলরি) থা ৯ চূপ্পা পীরমদবদা নত্তনা থা ১০ ফাজিল্লক্কদৌরে।

মিনিষ্ট্রি ওফ অর্বান দিভেলপমেন্টগী মখাদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মতম-মতমগী মতুংইন্না ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসননা কোল্লিবা মফমশিংদা




লৈবা মীয়ামদা পীথরকপা মখল কয়াগী ফ্লেগসিপ প্রোগ্রাম, প্রোজেক্ট অমদি স্কিমশিং থবক্তা ওন্থোক্তুনা মসিগী কান্নবা ফংহনবদা মাঙজিল থাবা থৌদাং লৌরক্লিবা কোর্পোরেসন অসিগী ষ্টাফশিংনা হৌজিক মায়োক্নরক্লিবা থাগী খূৎশুমল ফংদবগী

অৱাবা অসিগী মথক্তা মণিপুর লৈঙাক্লা মরু ওইবা থবক্লিহায়দুনা লৌরিবা 'ইম্ফাল স্মার্টসিটি স্কিম' গীসু থৌদাং লৌবা য়াওগদৌরিবা আই এম সীগী ফীভম করি ওইরক্কদগে হায়বা তম্না ঙমদ্রে।

থা ৯ চূপ্পা মশাগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# চীংদা খক্তা নত্তনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টতসু লো এন্দ ওর্দর লৈত্রবরা নুংথিল পোবোবতা য়ুকো বেঙ্ক লুট তৌখ্রে, লুপা লাখ ৬ হেন্না লৌখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :**
মণিপুরদা মে ৩, ২০২৩দগী তমথীরবা কাঙলূপ মশেলগী লান থোরক্তিঙৈগী মমাঙদগী হৌরদুনা চীং অমসুং তম্পাক্কী মফম পুন্নমক্তা মণিপুর লৈঙাক্লা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম চপ মান্নবা ঙাকশেনবা ঙমদ্রে অমসুং চীংদা লো লৈত্রে হায়দুনা লাক্লিঙৈগী চৈরক্তা লান অসি হৌরকপদগী হান্নগী ফীভম অসি অমুক্কা হেন্না শোকচিনহল্লক্তুনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লো অমত্তা লৈতবগী ফীভমদা মখল কয়াগী তমথীরবা থৌদোকশিং থোকখ্রবা মতুংদা নুংথিল পোবোবতা য়ুনাইটেদ কমর্সিএল (য়ুকো) বেঙ্ক, ককচীং ব্রাঞ্চতগী খূৎলায় পায়বা মীওই অমখক্না লুপা লাখ ৬ হেন্না লুট তৌদুনা পুখিবগী থৌদোক থোকচিল্লকপদা মণিপুর লৈঙাক্লা চীংদা খক্তা নত্তনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা ককচীংদসু লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা ঙমদ্রবরা হায়বগী ৱাহংশিং হংনরক্লে।




য়ুকো বেঙ্ক, ককচীং ব্রাঞ্চতগী নোংমৈ চিন্দোলদা য়াম্লবা শেনফমশিং লুট তৌখিবা মীওই অদুনা নোংমৈনা নমদুনা হোম গর্দ পর্সনেল অমা ব্রাঞ্চ মেনেজরগী কাদা পুশিল্লকপগী সী সী টিভি ফুটেজ

ককচীংগী নুংথিল পোবোবকী থৌদোক অসি ঙসি নুংথিল পুং ৩.০২ রোম চৎলকপদা মহৌশাগুম্না বেঙ্ক অসিগী ৱার্কিং অৱার লোইশিল্লক্তুনা মসিগী গেটকী সন্ত্রর চিংথরকপগী তাঞ্জাদা অমুবা মাস্ক উপ্পা, অমুবা টুপী, ফুরিৎ অমদি অমুবা খোঙগ্রাও শেৎপা মীওই অমা খঙহৌদনা চঙশিল্লক্লগা গেট অসিবু পান্নরিবা মণিপুর হোম গার্দকী পর্সনেল অদুদা বেঙ্ক অসিগী মেনেজরগা অমুক্তা উন্নহৌগে হায়না চঙশিল্লকখিবনি। মতমদুদা বেঙ্ক অসিগী মনুংদা মেনেজর, এসিষ্টেন্ট মেনেজর অমসুং হেদ কেসিয়র য়াওনা কষ্টর্মর ৪/৫ রোমসু লৈখি হায়রি।

মীওই অদুনা বেঙ্ক মনুংদা চঙলক্লগা অমুক গেট লোমদা থোকখ্রবা মতুং গেট পান্নরিবা হোম গার্দ পর্সনেল অদুদা নোংমৈনা তুংলোমদগী নল্লগা বেঙ্ক মনুংদা পুশিল্লকখি। মীওই অদুনা মেনেজরগী কা অমদি অতোপ্পা কাশিংদা লৈরম্বা ষ্টাফশিংবু হিন্দি লোলদা নোংমৈনা কাপকনি হায়না কিহল্লগা মেনেজরগী কাদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২



## ৱাটর ইজ লাইফ : ধোবি মচু লৈরক মচিন্দদি পি ঐচ ঈ দিগী টোটি পাইপ হোত্রোং হোরে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :** মীওই পূম্নমক্না হিংবদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলম অমা ওইবদগী ঈশিংবু 'ৱাটর ইজ লাইফ' হায়দুনা ফাওবা মসিগীদমক লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপা ঙাক্তগী ৱাফম নত্তনা ইম্ফাল মনুংদা থরু-চানবা অফবা টোটি ঈশিং ফংদবদগী মীয়াম্না লন্নাই ওইনা ঈশিং লৈনদুনা শীজিন্নরবসু টিদ্দিম লম্বী পরিংদা লৈরিবা হোদাম লৈরক্কীনা মায়োক্নবা অদুগা টিদ্দিম সর্ভিস ষ্টেসনগীনা মখা থংবদা লৈবা ধোবি মচু লৈরক চঙফম মচিন্দা পুরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী পব্লিক হেল্থ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট (পি ঐচ ঈ দি) গী অচৌবা টোটি পাইপ অমদি মতম খরগী মমাঙদগী মপু পান্দবগুম হোত্রোং হোনা ঈশিং কয়া অরেম্বদা মাঙহন্দুনা লৈরক্লে হায়রি।

লৈরক অসিগী অমসুং লৈকায়গী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা টোটি পাইপ অসিদগী ঈশিং চুম্নতা য়ুবদা নত্তনা ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লান্টদা কাপখৎলকপদৌনা কাপখৎলকপদগী কনাগুম্বা খরনা অমুবা পোলিথিননা ফাওবা য়েৎশিন্দুনা ঈশিং কাপথোকপা থিংনবা হোৎনদুনা লৈরে হায়রি।

## পিছ পুরক্নবগী খূৎমাবা মীফমদা চীফ মিনিষ্টর য়াওখিদ্রিবা করিগীনো : ৱাই জয়কুমার

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস):**
হোম মিনিষ্ট্রিনা শিল্লকপনি হায়দুনা ঙরাং ন্যু দেল্লীদা লৈবা মিনিষ্ট্রি অসিগী ওফিসতা মণিপুরদা থোক্লিবা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্তুনা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহন্নবনি হায়দুনা অহানবা খূৎমাবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ষ্টেট অসিগী নাগা, কুকি অমদি মীতৈগী মিনিষ্টর/এম এল এ ২০ লোম শরুক য়াহন্দুনা মীফম পাঙথোকখিবদা চীফ



নাগা এম এল এশিং শরুক য়াহনখিবদা এন পি পিদা খঙহল্লকখিদবদগী পার্টি অসিগী নাগা এম এল এ কাইসি অমসুং জাংহেমলুং শরুক য়াখিদে। তশেংনমক ঙরাংগী মীফম অদুনা মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্তুনা ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহল্লক্নবা শিনবা ওইরম্লবদি কোংগ্রেসসু শরুক য়াহনফম থোকই। কুকি এম এল এ/মিনিষ্টর খরনা মিনিষ্টর এন বিরেন করিগী শরুক য়াখিদ্রিবনো হায়না মণিপুরগী বি জে পিনা লুচিংলল্লিবা লৈঙাক অসিবু হৌবদগী শৌগৎলল্লিবা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী নেসনল ভাইস প্রেসিদেন্ট অমা ওইরিবা হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না পাউচে অসিদা হায়, ঙরাং পাঙথোকখ্রে হায়রিবা মীফম অদু মণিপুরদা পিছ পুরক্নবগী মীফম মান্দে। শরুক য়াখ্রবসু মখোয়গী ফুরুপকী এম এল এ ১০মক শরুক য়াখিদে। মীফম অসিদা চীফ মিনিষ্টর মশাসু শরুক য়াখিদবদা নত্তনা মণিপুরদা দিপ্লোই তৌরক্লিবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংবু কম্মান্দ এন্দ কন্ত্রোল তৌরিবা মখোয়গী মকোক থোংবা ওফিসলশিংসু য়াওখিদবনা তশেংনমক পিছ পুরক্নবরোমদা চঙশিনবনি হায়না লৌবা য়াগদ্রা হায়বা ৱাহং হংনীংই হায়রকখি।

## আর্মি চীফ দ্বিবেদিনা দ্রোন বোমিং তৌখিবা লৈতে হায়খ্রবসু এন আই এনা দ্রোনদগী বোম থাদরকখিবা মফম য়েংশিনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১দা কুকি টেররিষ্টশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৌত্রুক অমদি সেঞ্জম চিরাং এরিয়াদা দ্রোন বোমিং চথবদা নত্তনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী সুরবালা কৌবী মপামদা লাকচখিবী মৌনহা অমা নোংমৈনা পান্দুনা শিরগা মচানুপীনা খূৎতা নোংমৈনা পান্দুনা শোকখিবা থৌদোক থোকখ্রবসু লৈবাক অসিগী লাম্মীগী মকোক জেনরেল দ্বিবেদিনা মতম খরগী মমাঙদা মফমশিং অসিদা দ্রোন বোমিং তৌখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রবসু ঙসি নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) গী টিম অমনা মণিপুর পুলিসকা লোয়ননা দ্রোন বোমিং চথখিবা মফম (স্পোট) তা হকথেংননা চৎতুনা ইনক্কারি তৌখ্রে হায়রি।

এন আই এগী টিম অদু এজেন্সী অসিগী দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (দি এস পি) সালভানা কৌবা থৌদোক অসিগী মতাংদা লৌখৎপা কেসকী ইনভেষ্টিগেসন ওফিসর ওইরিবা অমনা লুচিংলকখিবনি হায়রি।

খোঙচৎ অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস দি পি ও অমসুং লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ ইন্সপেক্টর টিকেনসু য়াওখি। অদুগা ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিংসু লোয়নরকখি হায়রি। অদুম ওইনমক হৌজিক কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন কদাই য়ৌরবগে হায়বদি খঙবা ঙমদ্রি।

## ম্যান্মারদগী লানশিল্লকপা য়ু জি অমা ৫-অসাম রাইফলসনা ফারে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংগী বোর্দর পিল্লর ৭৯ অমসুং ৮০গী মরক্তা ম্যান্মার লোমদগী লালহৌবশিং চঙশিল্লক্কনি হায়বা অখন্নবা পাউ ফংবদগী ঙমখৈ পরিং অসিদা ৫শুবা অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংনা লুমদুনা মীকুপ নাহুম-শিংনা লৈরকপদগী ঙমখৈ লান্না চঙশিল্লকপা লালহৌবনি হায়বা মীওই অমা ফাগৎপা ঙল্লে হায়রি। পাউ অসিনা হায়বদা ফারবা মীওই অদু লালহৌলূপ অমগী সর্জন মেজর ওইবনি হায়রদুনা মহাক্কী মমিং নোংমাইথেম রঞ্জিৎ এলিয়জ নোংলৈ (৪৪) কৌই, কুম্বী সেতুপুর ময়ায় লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা এন নবচন্দ্রগী মচানুপানি হায়রি। মঙোন্দগী রিকোভর তৌবা মোবাইল ফোন অমগা কোন্ননা মহাকপু ঙসি মোরে পুলিসতা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## লান মায় পাক্তুনা ঈংনা পান্নবা মৈতৈ ফম্বাল কাবগী থৌরম পাঙথোক্লগনি : পন্থৌ



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :** হয়েং মেরাগী থানিল (ওক্টোবর১৭, ২০২৪) দা সেলোই লংমাই চীং (চীংখৈ চীং) দা মৈতৈ ফম্বাল তোংউ হায়বা পাউজেল লৈবনা মরম ওইরদুনা লান অসি মায় পাক্তুনা ঈংনা চিক্লা মরা তপ্না পান্নবগীদমক মৈতৈ ফম্বাল তোংবগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না লাই ওইবা পন্থৌনা পাঙথোকপা পাউগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ঙসি পাঙথোক্কদবা 'মেরা হৌচোংবা' থৌরমদা শরুক য়ারগদবা চীংবুরোইশিং সনা কোনুংদা তরাম্না ওকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :** নিংথৌ হাক্তক্তগী পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা মণিপুরগী অমত্তা ওইমিন্নবগী হয়েং মেরাগী থানিল নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা মেরা হৌচোংবা থৌরমদা শরুক য়ারনবগীদমক ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবা চীংবুরোইশিং ওকপগী থৌরম ঙসি নুমিদাংৱাইরম সনা কোনুংদা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা লুচিংদুনা তরাম্না ওকখ্রে। থৌরম অসিদা অঙোম নিংথৌ, অঙোম পোইরৈতোন অমসুং সনা কোনুংগী ফম্নাইবশিংনা শরুক য়াখি।

চীংদগী পুরকপা পোৎলমশিং নিংথৌ, অঙোম নিংথৌ অমদি ফম্নাইবশিংদা চীংবুরোইশিংনা খুদোল তমখি। অরাম্বাই তেঙ্গোলগীলুচিংবা কোরৌঙানবদসু চীংবুরোইশিংনা খুদোল তম্বগা লোয়ননা কোনাইতোং মরিংগী ঈশৈসু লাম্থোকখি। ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফাওবদা থৌরম অসিগীদমক সনা কোনুং য়ৌশিল্লকখিবা চীংবুরোইশিংগী মনুংদা কাংপোকপীগী খারম, লাইকোৎ, কোনাইতোং মরিং, ৱাবা চীং মরিং, লাইরম খুলেন, কামজোং মাও, মরাম, নম্বাসি খুল, সংপুরম খুল, মন্তক কোম, নোংলম ('টি' ভিলেজ), তাঞ্জুল অমদি কবুইনচিংবা চীংবুরোইশিংগী খুল্লাকপশিং য়াওখি। ৱাৎহৌরিবশিংনা হয়েংগী থৌরম অসি শরুক য়াবা নংনবা লাক্কনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## চীফ মিনিষ্টর দেল্লীগীদমক চৎখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :** মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা শীন্দুনা ঙরাং মিনিষ্ট্রি অসিগী ন্যু দেল্লীগী খান মার্কেট মনাক্তা লৈবা ওফিসতা নাগা, কুকি অমসুং মীতৈগী এম এল এ/মিনিষ্টর ২০ লোমগা মিনিষ্ট্রিগী সিক্যুরিটি এদভাইজর অমসুং আই বিগী জোইন্ট দিরেক্টর য়াওনা বি জে পিগী থৌপুবা অনীগা তোঙান তোঙানবা মীফমশিং পাঙথোকখিবদা শরুক য়াখিদবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন ঙসি নুংথিল পুং ২ তারমদাইদা ইন্দিগো ফ্লাইট অমদা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে। মহাক্না দেল্লীদা চৎখিবগী চপ চাবা মরম ওফিসল ওইনা খঙবা ঙমখিদে।

## ঈশিংদা লুপখিবা নুপামচা শিনা ফংলে, কংলা পার্কতসু নুপী ১গী অশিবা হকচাং লৈরম্লে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৪গী নুমিৎয়ুংলকপা পুং ১২ রোম তারকপদা ইরিলবুং পি এসকী জ্যুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা বাসিখোং কোংবা ইরোংগী কোংবা তুরেল মরীল অমদি ইম্ফাল তুরেল অনীগী ইতিনফমদা ইরোইবদগী তুরেল খোংনুংদা লুপখিদুনা থিবা ফংদনা লৈরকখিবা চহী ১২ খক্তা ঙাইরিবা কুম্বী তেরাখোংদগী হৌজিক্লা ককৱা লমদাইবুংদা লৈরবা লোংজম কুমারগী মচানুপা কান্ত (১২) গী হকচাং ঙসি অয়ূক লিলোং থোংখোঙদগী ফংবা ঙমখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## চুড়াচান্দপুরগী কানন ভেঙদগী খূৎশু খূৎলায়শিং ফাগৎলে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :**
ঙসি নুমিদাং মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোরকখিবা চেরোল অমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চীং অমসুং তমগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা ভলনরেবল এরিয়াশিংদা লেপ্তুনা চথরকপা সর্চ ওপরেসনগী মখা তারকপদা চুড়াচান্দপুরগী ন্যু লমকাদা লৈবা কানন ভেঙদগী মেগজিনগা কোন্নবা পোইন্ট ৩০৩ রাইফল ১, সিঙ্গল বেরেলগী মরূ ৪, ১২এম এম রাইফল ১, মেগজিনগা কোন্নবা ৯ এম এম পিষ্টোল ১, পম্পি গনগী মোর্টার ৪, ৭.৬২ এম এমগী মরূ ৫৭, ৯ এম এমগী মরূ ২০, পোইন্ট ৩০৩ রাইফলগী মরূ ৬, টিয়র গ্যাস সেল ২ ফাগৎপা ঙল্লে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# মণিপুরগী টেরিটোরিএল বাউন্দরিদা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩ শীজিন্নরকপা য়ারোই : মণিপুর ইন্টরনেসনল য়ুঠ সেন্টর

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :**
মণিপুর ইন্টরনেসনল য়ুঠ সেন্টরগী কোওর্দিনেটর এম সী মীতৈনা থোরকপা চেরোল অমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কাঙলূপ-ফুরুপকী ওইবা মীৎয়েংদা মণিপুরবু মচেৎ তানা থুগাইনবা হোৎনরে হায়না মরাল শীরদুনা থৌওং অসিবু সেন্টর অসিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়বগা লোয়ননা মালেমগী ওইবা লো অমসুং অতোপ্পা মফমশিংদা চৎনবগুম্না হৌজিক মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি কায়হন্দনবা হোৎনবগী মতমনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুরগী মীয়াম্না মতম পুন্নমক্তা মখোয়গী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি অমসুং পুৱারীগী ওইবা মশক ঙাক শেন্নবগী ৱারেপ লৌদুনা অচেৎপা ফিরেপ অমদা লেপ্লি। মণিপুর অসি মনীং তম্বা লম অমা ওইরম্বদা নত্তনা মসিগী মশক থোকপা ঙমখৈশিং, ইনাক খুল্লবা নাৎ অমসুং অমত্তা ওইমিন্নবা মীয়াম লৈজরম্বনি। অদুম ওইনমক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মতম খরগী মমাঙদগী শান্নরকপা পোলিটিক্সনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩ শীজিন্নদুনা মণিপুরগী ঙমখৈবু ফুরুপ-কাঙলূপকী ওইবা মীৎয়েংদা থুগায়রক্কদ্রা হায়বগী খম থেংনা অকিবা অমা ফাওহল্লে। অসিগুম্বা থৌওং অসি করিগুম্বা চথরক্লবদি হান্না কোলোনি ওইরম্লবা টেরিটোরিএল বাউন্দরিশিং ঙাকচনবগী লৈরিবা 'উটি পোসিদেটিষ্ট জ্যুরিস' য়াওনা মালেমগী ওইবা লোগী পথাপশিং শীংনরকপা ওইনা থোক্কনি হায়রি।

মণিপুরগী টেররিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি অসি শাংলবা দিপ্লোমেসি, লান অমসুং ষ্টেটহুদনচিংবগী পুৱারীশিংদগী হৌরদুনা লৈজরক্লবনি। ফীভমশিং অসি অহানবা সেঞ্চুরিদগী হৌরকখ্রবনি। বৃটিশনা লোই চনবগী থৌওং অদুদি ১৯শুবা চহী চাদগী হৌরকখিবনি। মখোয়না মণিপুরবু খুদুম চল্লবসু মণিপুরী মীয়ামগী নীংতম্বদি মাঙহল্লমদে।

হেনরি য়ুলেস্কি মেক (১৫০০ এ দি), জেমস জোনষ্টোনগী মেপ (১৯শুবা চহী চা) অমসুং সর্ভেয়র জেনরেল ওফ ইন্দিয়াগী মেপ ১৯৮৪নচিংবা পুৱারীগী ওইবা দোক্যুমেন্টশিং অমসুং মেপশিংগী মতুংইন্না মণিপুরগী পোলিটিকেল বাউন্দরিশিং নাখৈ শেংনা লৈজরম্মী। পুন্নমক অসিনা মণিপুরগী টেরিটোরিএল বাউন্দরি অসি চহী মিলেনিয়ম তঙ্খাই অমরোমদি নীংথিজনা লৈরম্লি হায়বসু তাক্লি।

মণিপুর অসি কুমজা ১৯৪৯দা ইন্দিয়ানা নমলৌ লৌশিনখিবনি হায়না চয়েৎনরিবা অসিগী মাঙওইননা মনীং তম্বা লৈবাক অমা ওইজরম্মী। মসিগী লেঙদবা ঙমখৈশিং লৈবদা নত্তনা মালেমগী ওইবা লোগী মখাদা মসিবু কায়হন্দনা থল্লম্মী হায়রি।

মরম অসিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩ শীজিন্নদুনা কাঙলূপ-ফুরুপকী ওইবা মীৎয়েংদা মণিপুরগী টেরিটোরিএল বাউন্দরি হোংদোক হোংজিন তৌনবা হোৎনরকপা য়ারোই। ইন্দিয়ানা কৈদৌনুংদা মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি কায়হল্লকপা য়ারোই হায়রি।

## ঙাবেম্মা অহিংবা য়োৎখিবা থা ৮ লোমদা ঙাইরিবা নুপামচা ১ কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস) :** তাবদা নুংঙাইতবদা নত্তনা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা থৌদোক অমা ওইনা ঙাবেম্মা অহিংবা অমা হিংনা য়োৎখিবী থা ৮ লোমদমক ঙাইরিবা পীক্লিবা নুপামচা অমা লায়কন্নবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে।

থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাংৱাইরম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা খাঙবোক মাইন্নাম লৈকায়গী ইমুং অমদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫